# অচুম্বসিবু লৈরিবরা - ২৬৯

## - ডা. এল শশীকুমার, য়ুরেম্বম -

নুংশিৎ শিৎতনা উনা খক লেংদে। নুংশিৎ মশক উবসু ফংদে। মশক উদবা নুংশিৎনা মীওইবা, জীব পানবশিং পূম্নমক্কী হিংনবগী পান্বেনি। মসিমক ককপা য়াদনা চুম্লবনি। মতম-মতমগী য়াওল, মতম-মতমগী চৎনবী মশক খঙদবশিংবু ঙসিগী মীয়াম্না থৌশানদে। লোয়ননা মী ওইনা থানদে হায়বসি মীপূম তিংনা খঙনরে। মসিগী ঈহৌ অসিনা লমদমসিদা ওল্লক্লিবা য়াওল, হোংলক্লিবা ঈচেল তরাইনা খন্দোকপা য়াদ্রে। অচুম্বা চৎপা অপঙবা, অশেংবা তৌবা মী ওইনা থানদ্রে। কয়াদা কনখ্রবা মতমসিগী য়াওল ওইরিবনো। মতম অমদা অচুম্বা অশেংবা চৎনরিঙৈগী ফজবা মশক কনানসু পাম্নদ্রে। ঙসিগী কম্প্যুটরগী খম থেংনা চাওখৎলবা তাঞ্জাসিদা হোংলক্লিবা মতমগী ঈচেল, ওল্লক্লিবা য়াওল হীরম খুদিংমক্তা চম্না তরাইনা খন্দোকপা য়াবা তাঞ্জাসু নত্তে। মসি পূম্নমক অচুম্বসি লৈরক্তবদগী থোরকপা ঙাক্তনি। অচুম্বসিবু করম্বা মফমদা, করম্বা মতম মতমগী লৈঙাক্লা থবক ওইনা পায়খৎপীরিবগে? ৱাহংসিমদি মীপূম খুদিংমক্লা লেপ্তুনা হংনরি। মসিগী অশেংবা পাউখুম পীবিগদবা ঐখোয়গী লমদমসিদা নত্তনা মালেমগী মীয়াম্না খৌরাংনা ঙাইনরি। ঙসি চাওখৎলে হায়রিবসি মফম কদাইদনো? মালেমগী অনীশুবা লাঞ্জাওগী মতমদা এটোম বোমগী দশা ঙসি ফাওবা মীয়াম্না কাউনদ্রি। কম্প্যুটরগী যুগনি। অখঙ অহৈশিংনা য়োম্লবা মতমসিদা এটোম বোমদগী হেন্না শাথীরবা দশা অমা মীয়ামগী মাংদা থোরক্লে। চাওখৎলবা হৈ-শিংলবশিংনা ঙসি ফাওবা তরং-তরংনা হকথেংননা কোভিদ-১৯গী মরমদা মপূং ফাবা হীদাক পুথোকপা ঙম্নদ্রি। মসিমক মালেমগী মীয়াম্না খঙনা খঙনা, উনা উনা অসুমক খাঙমিন্নগদৌরিব্রা? হৌরকফম খঙদনা হীদাক হেক্তা থাবা য়ারোই। থিংবসু তরাইবা অমা নত্তে।

মসিগী মখা তারকপদা কোভিদ-১৯না মালেমগী মীয়াম তুম্না মাঙগদৌরিব্রা, মাঙহনগদৌরিব্রা ? কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎ অসি মীয়াম পূম্নমক মীপায়নদবা য়াওদ্রে। মসিগী মথক্তা পোলিটিকেল পার্টি, পোলিটিসিয়ন পূম্নমক ফজ-ফজরবা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্লরক্লি। তমজনীংঙাইনি, পাউতাকনি, পাউরৌনি। মণিপুরগুম্বা অপিকপা ষ্টেট অসিদদি দশাগী মথক্তা দশা হেন্না তাগদৌরি। মরমদি মণিপুরীশিংসি মালেমগী মনুংদা তোপ-তোপ্পা মখল অমগী মীওই ঙাক্তনা পুনবা তোঙান তোঙানবা ফুরুপ ৩০গী মথক্তা খুন্দামিন্নরিবা অপিকপা ষ্টেট অমনি। মসিগী মথক্তা মীতৈ হায়বা ফুরুপসিনা মপূংনি। অদুবু মী ওইনা থানদবা, অঙকপা লমদমসিদা লৈঙাক্লা শেম্বা আইনগী ৱাংমদা থৌশানদবা লমদম অমসুনি। তশেংনা কর্ফিয়ু মনুংদা কর্ফিয়ু য়েংবা মীয়াম থোক্লরিবনি। পূম্নমক্কী মথক্তা লালহৌবগী ঈরাংসু খম থেংনা কল্লবা ষ্টেট অমনি। মরকসিদা নহারোল, লৈঙাক অনীগী লালহৌবগী ঈরাং মরক্তা নোংমৈ কাপ্নরে হায়বদা নোংমৈ কাপ্নবা য়েংবা থোক্লরিবা ওন্থোকপা লমদম অমনি। ঙসিনা কোভিদ-১৯গী কল্লবা মীপায়নরিবা মতমসিদা নোংমগী লেপ্তুনা লৈঙাক্লা য়াদে হায়বা খঙনা খঙনা, থিংনা-থিংনা নোংমগী লেপ্তুনা ফাদুনা শেল তিংনরিবা লমদম অমসুনি। মসিমকসু ৱাহন্থোক কয়া থোক্লা নৈনবা য়ারিবনি। মীয়াম পূনবা য়াদে হায়না মতমসিগী লৈঙাক পায়রিবশিংনা রেদিও অমদি পাউচেশিংদা নোংমগী লেপ্তুনা খঙহল্লিবনি।

মসি ঙম্নমক্কী মথক্তা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা মীশিংসু ঈশিং ঈচাওগুম লেপ্তুনা হেনগৎলক্লিবনি। লায়না লাইচৎসিগী মনুংদা মীশি মীনাসু লেপ্তুনা ৱাংখৎলক্লি। মসিদা লৈঙাক পায়রিবশিংনা, পোলিটিকেল পার্টিশিং কয়ানা মরক্কী মীখল তৌননবা, ওইজবা থিবা পোলিটিকেল পার্টি খরনা ভোটকী ঈরাংদা চঙশিল্লক্লিবনি। মীয়াম শিরবসু ঐখোয়গী খোঙফম শোকপা য়াদে হায়বরোমদা লেপ্তুনা চঙশিল্লক্লিবনি। মীয়াম তুম্না মাঙখ্রবসু ঐখোয় খরদি খুদোংচাবা লৌহৌদবা য়াদে হায়বরোমদা থবক ওইনা পায়খৎলক্লিবনি। অদুবু পান্বে লৈতে মীচম মীয়াম করিদি তৌরুগনি। য়েংবা তাবনি। মীওইবগী পান্বে লৈত্রবা মতমদা তাইবঙ শেম্বা মপুদা তাইনবনি। তশেংনমক তাইবঙ শেম্বা মপুনা অচুম অরানগী ফল থবক ওইনা পাঙথোকপীরকসনু। মীয়ামসু অঙম্বা শক্তি পায়বশিংগী মথক্তা চপ চাবা পাউখুম পীরসনু। তশেংনমক করিগী মরক্কী মীখল পাঙথোক্লিবনো হায়বা ৱাহং অসি মীনসু, লাইনসু ময়েক শেংনা তরং-তরং উনরবনি। মীখল অসি লাইবক থীবদগী হনগদৌরিবনি, অশি-অনা থোকপগী হনবদি নত্তে হায়বসি মণিপুর মীয়াম্না খঙনরবনি। মরম অদুনা পোলিটিক্সপু করবার ওইনা চত্থরকপসি অচুম্বা খোঙথাংসু নত্তে। মমৈথংদা পোলিটিক্সপু ফাগি ওইনা করিসু লৈতনা খন্দোকপসি মণিপুর মীয়াম্না অনৌবা পাড়া খরদি তন্বীফম থোকপনি। অদুবু ঙসি চত্থরক্লিবা পোলিটিক্সকী খোঙথাং চুম্না তরাই-তরাইনা মীয়াম্না খল্লবদি অতোংবদা লৈথোনবা, অকুৎপদা লৈতৌবা হায়বদু তাহল্লবদি মণিপুর মীয়াম ৱাবগী চাং য়াম্না হেনগৎলক্কনি।

ঙসিগী লৈঙাক অসি কদাই ফাওবা অচুম্বা অশেংবা থবক ওইনা পাঙথোকপা-পাঙথোক্তবা হায়বদুদি মীয়াম্না লেঙদ্রবা শাখিনি। হন্দক হনগদৌরিবা বাই ইলেক্সন অসিদা শেঞ্জাও পায়বা, লৈঙাক পায়বগী তৌবা ঙম্বগী চাংসু মীয়াম্না মীৎমাংদা ফজনা মশক খঙনরগনি। মণিপুর য়াওনা মালেমগী মফম পূম্বদা শন্দোরক্লিবা কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎ অসি করম্না শন্দোরকই হায়বসি পূম্নমক্লা খঙনরবা ৱাফমনি। তাল্লকসিদা বাই ইলেক্সন পাঙথোক্কনি হায়বসিদি অঙম্বশিংনা মখোয়গী অঙম্বা শক্তি শীজিন্নরকপনি, কনানবু থিংলুগনি। অদুবু তাইবঙ শেম্বা মপুনসু ফজরবা মীৎয়েং অমা ওইনা মণিপুরগী মনুংদা খ্বাইদগী কোভিদ-১৯গী লাইচৎ শন্দোরকপসি হন্দক্কী মরক্কী মীখল পাঙথোক্কনি থৌরাংলিবা মায়কৈরোমদা হান্না পাঙথোকপা হায়বসি তাইবঙ শেম্বা মপুনা শিনবা মপূং ওইবা চাংয়েংনি। চাংয়েংসিনা মণিপুর মীয়াম দশা তাবা-তাদবা হায়বসি মীৎনা ফজনা উরগনি। মণিপুরী ফুরুপসি মমাঙঙৈদগী লিশাং শিংনা চৎনরক্লবা দেব-কর্ম্ম, লুহোংবনচিংবা ফাওবা মীয়াম তিনবদা খুদোংথীবা নংগনি খন্দুনা থা ৭/৮দা থেংনরকখিবনি। হন্দক্কী মরক্কী মীখলসিদা লৈঙাক পায়রিবা, তৌবা ঙম্বশিংনা মীশি মীনা য়াওরকপা য়াবা মীখল পাঙথোকপা হায়বসি তশেংনমক অচুম্বা খোঙথাং নত্তে।

মতাংসিদা মপূং ওইনা থমজনীংলিবদি ঐখোয়গী ইন্দিয়াসিদা মতম শাংনা লৈঙাক্লক্লবা কোংগ্রেস অমসুং মতম কুইনা খোঙফম শেমদুনা শেন্নরক্লবা বি জে পি অনীগী লাল চহী খরসিদা ফজনা নুপী অঙাং, লাইরিক-লাইশু মতিক চানা খঙহৈরবশিং, লোয়ন-লোয়ননা মতমসিগী পোলিটিসিয়ন, পোলিটিকেল পার্টি খুদিংমক ইশা-ইশাগী ওইজবা থাদোক্লগা ঙসি চত্থরক্লিবা লৈঙাক সাসন অসি খরদং কত্থে-ক্লদুনা অচুম্বা, অশেংবা, থম্মোয় শেংনা খন্থমীন্নবগী মতম ওইরে। মসিগী মথক্তা মণিপুরগী পোলিটিক্সকী খোঙচৎসু কূপ্না নৈনহৌদ্রবদি ইন্দিয়াগী মনুংদা থৌশাবীদ্রবা অৱাং নোংপোক্কী চিদাইদা লৈরিবা মণিপুর মীয়ামগী লম্বী খন্থবা মতম চপ চারে। হন্দক্কী ভোট অসিমক অনৌবা চাংয়েং অমনি। মসিমকসু লাইনা পীবা নত্তে, ঐখোয়গী পোলিটিকেল পার্টিশিংনা খূৎশেমগী ওইনা থোকহনবনি। মণিপুর মীয়াম ৱাখল তাবা ৱাৎপদগী শেঞ্জাও পায়বশিংনা মশা-মশাগী ওইজনাম, লৌজনাম পাম্বদগী খূৎশেমগী ওইনা থোকহনবনি।

মপূং ওইনা ইন্দিয়াগী ওইনা য়েংলুদ্রগসু অপিকপা মণিপুরদা ঙসি ফাওবা চত্থরকখিবা পোলিটিক্সকী ঈচেলশিং য়াম্না কূপ্না খন্থমিন্নরসি। লৈঙাক পুমিন্নরিবশিংগী মরক্তা লৈবাক অসিগী ৱাখল তারবশিংনা চোঙথোক চোঙশিনগী ঈরাংসু থাক ৱাংলে। তশেংনমক ঐখোয়গী দেমোক্রেসিগী শক্তম হোংলে। মসিমক মণিপুরদা থবক ওইনা পাঙথোকখ্রে। মসিগী অশোনবা অশায়বশিং পোলিটিক্সকী থাক নেমথবদগীরা? অদুগা করম্বা অশোনবনো? নৈনমিন্নবগী মতম হেনখ্রে। মসি পূম্নমক পোলিটিকেল পার্টিশিং, পোলিটিসিয়নশিংনা মতম মতমগী ওইজবখক্কী খল্লগা ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসন কূপ্না নৈনবীদবদগী ওইরকপনি হায়বসি পোলিটিকেল পার্টিশিং, পোলিটিসিয়নশিংনা ঙম্নমক খঙনা খঙনা খঙশিন্নদ্রিবরা হায়বা ৱাহং অমদি চাউনা লৈতবা নত্তে। মসিগী মথক্তা ভোট কারগা মিনিষ্টর ওইনীংলিবা করিগীনো? লৈঙাক পুমিন্নরগা ঐগী পার্টি মশক খঙদবদগী থোরকপা ঈহৌনি। ঈহৌসিগী মনুংদা মশা মশাগী খুদোংচাবদগী নান্থোকহন্নীংদবগী ওইরকপা ফলনি। ঙসিদি ওইজনাম, লৌজনাম কনবা শেঞ্জা থুমজা হেন্না হেন্না য়াংশিল্লকপগী নুংনাংবদগী মশা মশাগী পোলিটিক্সকী থাক ৱাৎপদগী ওইরকপনি। মসি পূম্নমক পোলিটিকেল পার্টি খুদিংমক্লা য়াম্না কূপ্না খন্থবা মতমনি। মপুন্সিদা মীয়ামগী থবক অমত্তা তৌরক্তবা, ময়াই কাবা চিঞ্জাক লল্লোনবদা খূৎলোয়রবশিংনা পোলিটিক্সপু লল্লোনফম ওইনা চত্থরকপদগী থোরকপা ফলনি। মণিপুরদা নহারোল লালহৌবগী ঈরাং কল্লিঙৈ লৈঙাক পায়রম্বা খরগা মান্নরগা অরোনবা করবার তৌরম্বা শেঞ্জাও পায়হৌবশিংনা মীচম মীয়াম্বু মরোই ফদিগোম লৈবগুম লৈবা ঙম্বশিংনা পোলিটিক্স য়াওশিল্লকপা, মশা মশাগী হৈনবী শিনফমদা শক্তি পায়রকপা মতমদা মীয়াম্বু মী ওইনা খল্লক্তবা মতমসিগী চৎনবী ওইরক্লে। মণিপুরগী পোলিটিকেল পার্টিশিং, পোলিটিসিয়নশিংগী থাক ৱাংখৎলক্লিব্রা, নেমথরক্লিব্রা হায়বদু খঙন্থহৌদ্রবদি নোংমদি দশা তামিন্নগনি। লমদমসিদা অচুম্বসিবু করম্বা মফমদা লৈরিবগে? অচুম্বা মাঙশিল্লকপগা ইরোইননা পূম্নমক মাঙমিন্নরগনি।

মপূং ওইনা পোলিটিসিয়ন, পোলিটিকেল পার্টিশিংনা ইশা ইশাগী খুদোংচাবা য়েংনদুনা ইরমদমসিবু করিসু ওইনা খন্দবশিংদগী খরদং কূপ্না চাংয়েংনবনা থবক ওইনা ওন্থোকপা মতম ওইরে। মণিপুরদা মতম অমদা নহারোল লালহৌবগী ঈরাং কল্লম্লবসু ঙসিদি নেমথখ্রে। মসিগী মখা তারকপদা লাইরিক লাইশু মতিক চানা হৈহৌরবা মতমসিগী নহারোল মশীং খঙদনা লৈরে। শেঞ্জা থুমজা ঙমজদ্রবা নীংবা কায়রবা য়োইহেনবশিংনা খাঙমদবদগী থাজ-থাজদ্রবা থবক কয়া পায়খৎনরক্লবদি পূম্নমক মাঙমিন্নরগনি। কোভিদ-১৯দগী হেন্না শাথিরবা মখলগী খূৎলায় থাদোক্লরক্লোই করম্না হায়রুগনি। মতম অমদা এটোম বোম কিনরম্মী অদুবু ঙসিদি মখোল থোক্লা মীওইবা খুন্নাইসিবু তুম্না মাঙহনবা য়াবা খূৎলায় মীংথোনবা কোভিদ-১৯ থোরক্লে। খূৎলায়না লাঞ্জংদগী হেন্না শাথীরবা মখোল থোক্তবা খূৎলায় লৈরম্লোই করম্না হায়রুগনি। মসি পূম্নমক মাঙহনবা য়াবদি অচুম্বা থবক, অশেংবা থবক্লা মপূং ওইবা খূৎলায়নি। ঐখোয় পূন্না হিংমিন্নসি হায়রবদি থম্মোয় শেংবা, অচুম্বা থবক তৌবনা মতম পূম্বগী মায় পাকপনি। ঐখোয় পুল্লসি, অপূনবগী শক্তিতনা পূম্নমক খুদুম চনবা ঙমগনি। অচুম্বতনা পূম্নমক্কী য়াইফবা ওইগনি। অচুম্বসি কনমিন্নরসি, অচুম্বা কনবদা মপূং ওইবা খূৎলায়সি থম্মোয় শেংবনি। থম্মোয় শেংনা মীয়ামগীদমক কত্থোক্লরসি।? ●

## ষ্টেটকী পাউ


### / ইবুং লাইশ্রম সুধাকরবু থাগৎচরি



সুধাকর

সগোলবন্দ খম্নাম লৈরক ইম্ফাল আই টি আই মনাক্তা লৈবীরিবা নুঙগী লায়েংবা পাবুং লাইশ্রম নবকিশোরগী মচানুপা ইবুং লাইশ্রম সুধাকরনা লায়েংবীদুনা ঐগী য়েৎ থংবা কিদনীদা 52 mm চাওবা নুঙ অমা লৈরম্বদু তাহনবীখ্রে। মসিগীদমক ইবুংবু থাগৎচরি।

Sd/- **Ngangom Kalpana**
Thangmeiband Meisnam Leikai

HL-P/7693/9

### / 'নুংশং লায়নাগীদমক্তা ওজা কবিরাজ ABDUL HAQUE মতীক চাই'

ওজা **Abdul Haque**, Contact No. : 8794429681, 8014623756 কী লায়েং মখাদা ইশাদা লৈরম্বা পাইলস লায়নাগী হীদাকশিং চাং নাইনা চাজবদগী অমসুং মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফজরে। ওজাবু হায়নিংঙাই লৈতনা থাগৎপা ফোঙদোকচরিঅমসুং পূন্সি নুংশাংনা মীয়ামগী সেবা ফংবীখো হায়না মপূদা থৌনীজরি। ঙসিমক তান্নবীয়ু ওজাগা, পাইলসকী অনাবনা- খ্বাঙ নাবা, গ্যাষ্ট্রিক কাবা, খোঙ হান্বা চাং নাইদবা, খোঙ হান্বদা ঈ য়াওবা, খোঙ হান্বা মতমদা চেখাইরগা থুপ্পা শাবা, শৌজ নান্থবা, চিকপা নাবনা হম-হম লাকপা, অমাংথোঙ মপান্দা ফুরিদৌনা অপোন্বা লৈবা, ঙকশম মরী নাবা অমসুং চানিং-থক্লিংবা পোক্তবগী অৱাবা লৈবশিং।

**ওজাগী লায়েংফমদি :-**

1. Wangoi SBI Awang, Near Oil Pump (6:00-5:00 p.m.)

*থাগৎচরিবা :* **S. Arun Kumar**
Lilong, Arapti

HL-P/7520/9

### / অমাংথোঙ মপান অকোয়বদু চাউথোকপা, খোঙ হান্বগী শংবদা অমাংথোঙ মনুংদগী মপান্দা পোমথোরকপা, খোঙ হান্বা খূদিংগী ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা, খোঙ হান্বদা মতম কুইনা চঙবা, অমুক্তদা শেংনা হামদোকপা য়াদবা মচিৎ-মচিৎ হান্বা, অমাংথোঙ মপান্দা তৎপা ফহনবগী ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি



ঐগী হকচাংদা নুংশংনা য়াম্না কন্না নাদুনা অমাংথোঙ মপান অকোয়বদু পোমথোকপা, খোঙ হান্বগী শংবদা অমাংথোঙ মনুংদগী মপান্দা পোমথোরকপা, খোঙ হান্বা লোইরগা পোমথোরকপা অদু মশানা অমুক হনগৎখিবা, খোঙ হান্বা খূদিংগী ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা, শা-ঙা চাবা য়াদবা, শা-ঙা চারগনা হেন্না ঈ তাবা হেনবা, খোঙ হান্বা চঙগনি খনবদা হকচাংদা অকিবা পোকপা ঈ তারক্কনি খনবদা, খোঙ হামনিংলকপা মতমদসু খাঙগৎপসু য়াওবা খোঙ হান্নুরগা ঈ তারক্কনি খনবদা, খোঙ হান্বদা মতম কুইনা চঙবা, অমুক্তদা শেংনা হামদোকপা য়াদবা মচিৎ-মচিৎ হান্বা, খোঙ হান্বদা মনাং য়াম্না য়াওরকপা, নপতোংগুম্বসু য়াম্না য়াওরকপা, খোঙ হান্বা লোইরগসু অমাংথোঙদা য়াম্না চিকপা নাবা তৌবা, অমাংথোঙ মপান্দসু তৎপা, চাবা তুমদবা, চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা, খোঙয়া শাবা, ফন্বী য়াম্না শোনবা, কোক লুম-লুম লাউরগা লৈবা, ঙকশম মরী নাবা, লেংজুম অনীমক চিকপা নাবা, খ্বাঙ নাবা তৌরম্বা অদু ষ্টেট অমদি নেসনল এৱার্দ ফংলবা **Regd. No. 1591/SR/IW/2019, MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 8414825323, 9774274439** দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।

লায়েংফম :1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat, Imphal (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal, Konchak Makha Leikai. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wed. & Sat. Open) (10 a.m. to 4pm.)

*থাগৎচরিবা :* **M. Bungo Singh**
Kwakeithel

HL-B/6380/09

### / নূংশঙগী ওজাবু থাগৎচরি



**Naorem Ibomcha**

ঐগী হকচাংদা নুংশং হায়রিবা লায়না অসিনা নাদুনা লৈরকপনি। লায়ওংদি পোম্বা তঙবা, নায় চারগা অদুগা মখুল হুৎলকপা, মচুম তারকপা অসিনি। লাইবক ফবদগী মরুপ অমনা হৈঙাংদা চৎলু তাক্লকপদগী চৎচরুরে। নাওরেম ইবোমচা Phone No. 6009147645/8014023792 গী হিদাক চাবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা নুংঙাইতবা অদু পুংফা ফজরে। মরম অদুনা নুংশিরবা ওজাবু মতম পুম্বগী হায়নিংঙাই লৈতনা থাগৎপা ফোঙদোকপগা লোয়ননা ঈশ্বরগী মফমদা থৌনিজরি।

থাগৎচরিবা - **Laitonjam Jayanta Singh**
Patsoi Makha Leikai, Part- 4

HL-P/7620/28 Sept. to 27 Oct.

HL-B/6430/04/10-02/11

### / কা শাঞ্জরি

অহুমশুবা ফ্লোরদা ওইগদবা ওফিস নৎত্রগা কোচিং সেন্টরসু ওইবা য়াবা ফ্লোর অমা শাঞ্জরি। পাম্বীবা মীওইশিংনা মখাগী কন্টেক্ট নম্বর অসিদা পাউ ফাওবীরকপা য়াগনি।

**# 8118991174**

HL-P/7697/9-13/10

### GOVERNMENT OF MANIPUR
### OFFICE OF THE PRINCIPAL
### DHANAMANJURI COLLEGE OF ARTS, IMPHAL
### DHANAMANJURI UNIVERSITY, MANIPUR

**/ NOTICE**

06,OCTOBER 2020

No.1/1/Adm/2018-DMCA: Applications in prescribed forms are invited for admission in M.A. 1st Semester in English, Economics, Geography, Manipuri, Political Science, Education, Sociology, History, and Philosophy in Dhanamanjuri College of Arts, Imphal, Dhanamanjuri university, Manipur for the academic session 2020—2021.

E-Prospectus along with the prescribed application form can be downloaded from www.dmcarts.ac.in and university website, www.dmu.ac.in from 9th October, 2020.

Application forms complete in all aspects should be submitted offline to the counter opened at the office of D.M. College of Arts, Imphal from 11:00 A.M. to 3:30 P.M. during all the working days from 10th October till 16th October, 2020 along with Rs.300/-.

Date of issue of the admit card and details of the entrance examination can be had from the college notice board and the above websites.

Sd/- **DR. CHUNGKHAM SHEELARAMANI**
PRINCIPAL
D.M. COLLEGE OF ARTS, IMPHAL

HL-P/7683/8&9

### / লায়েংজরি — UMA AYURVEDIC CLINIC (DR.(VAID) R N GUPTA)

*উনশাগী লায়না, অঙৌবা পকপা, নুংশং, গ্যাষ্টিক, ফিনুংগী অনাবশিং, নাকোংগী প্রোব্লেম, শমগী প্রোব্লেম, তাং-তাং চিকপা অমসুং খ্বাং নাবা অসিনচিংবা অনাবশিং*

***(অঙৌবা পকপা)***
হৌজিক অঙৌবা পকপগীদমক থোইদোক্লা ৱানিংঙাই লৈত্রে। অঙৌবা পকপশিংগীদমক্তা অফবা মখলগী হীদাকশিং শিজিন্নদুনা চাউনা মায় পাক্লা লায়েংজরি। উনশাগী মহৌশাগী কুচু মাঙবা নৎত্রগা মখল খুদিংমক্কী উনশাগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। মায়হিং, স্কিন, অজমা, উরিং, মায় চাথৎপা স্কিন দিজিজ লায়েংজরি।

***(তাং-তাং চিকপা)***
তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ খুৎ শিথবা, মশল পাবা, খুৎ হায়গৎপা ঙমদবা, থবাক নাবা, মীহুন কা হেন্না চোংবা, থবাক খেবা, শ্বর ফুনবনচিংবগীদমক ৱাবীরুগনু য়াম্না থুনা উনবিয়ু তানবীয়ু।

***(দাইবেটিসকী প্রোব্লেম)***
দাইবেটিসকী সিমতোম লৈরবদি ৱেৎ হন্থরক্কনি। ফন্বী চাং হন্থরক্কনি, মপান তোয়না থোক্কনি, হকচাংগী পাঙ্গল শোন্থারক্কনি। হায়রিবা প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা লাকপীদুনা তানবীয়ু।

***(নুংশং)***
নুংশং, ঈ-তাবা, চাথৎপা, পোম্বা, হাকৎচবা, নুংশং কক্লাইনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেশন তৌদনা হীদাক শিজিন্নরগা পুংফ ফহনবা ঙম্লে।

***(গ্যাষ্টিক্কী প্রোব্লেম)***
পুক নুংশিৎ কাবা, চাব-থকপা তুমদবা, চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, খোঙ হান্বা নুংঙাইতবা অসিগুম্বগী প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা লাকপীয়ু।

***নুপা-নুপী অনীগী পুন্সি নুংঙাইনা লেনবা ওইবিয়ু***

***(নুপাগী প্রোব্লেম)***
ফন্বী পাবা, নুপাগী ফন্বী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কছা চৎপা, ঈশিং চৎপা অমদি অমাংবগা লোয়ননা কছা চৎপা, ফিনুংদা হাক্লচবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোন্থবা তারবদি অথুবা মতমদা কন্টেক্ট তৌবিয়ু অমদি উনবিয়ু।

***(নুপীগী প্রোব্লেম)***
নুপীগী ফিঙৌ চৎপা, থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা অদুগা চাং হেন্না নৎত্রগা ৱাৎনা চৎপা, মনম নমথিবা, হকচাং মনুংদা হাক্লচবা ফুরি থুংবা অমদি অতৈ লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে।

***(নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম)***
না তাদবা নাকোংদা ঙংদুনা লৈবা, হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থরকপা অমসুং অতোপ্পা মখলগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। সাইনসকী প্রোব্লেম, নাতোন ফুনবা, শ্বর হোনবদা ৱাবা, হকথি তোয়না খনবা, নপ মহী তাবা অসিনচিংবা তৌবিরবদি ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা তানবীয়ু।

***(শমগী প্রোব্লেম)***
শম কেনবা, পোক হৌবা, শমজাবী, চহী চাদনা নৌনা পোক হৌবা, কোক শাবা হাক্লচবা অসিনচিংবা লায়ওংশিং অসিগীসু অথুবা মতমদা তানবীয়ু।

**HOW TO GIVE UP WINE**

If you or your adict want to give up wine. If you want to return happiness in your family then please use our "VISH MUKTI" Powder. You can give it with meal, vegetables or tea without telling him.

**HOW TO CONTROL SUGAR LEVEL**

If you want to control diabetes, then please use our sugar nil. Your sugar level will be control very soon. You can give up insulin, price Rs. 210/-

**DR.(VAID) R N GUPTA (396),**
**Khuyathong Road, Kwality Wall Ice Cream Building 1st Floor, Opposite Senapati Bus Parking.**

HL-B/6038/7/10-4/11 (alt)

### / NOTICE for 7TH CONVOCATION of NIT MANIPUR

Date: 08/10/2020

The 7th Convocation of the National Institute of Technology, Manipur is going to be organized on 12th October 2020 in VIRTUAL MODE from 02.00 pm onwards. Students and scholars who have qualified for B.Tech., M.Tech., M.Sc. and Ph.D.'s in the last academic year will be awarded their respective degrees.

All the degree recipients and their parents can watch the proceeding of the convocation live using the link given below:

https://youtu.be/f6YttjjZYb8.

HL-B/6446/9

### / লান্না - থৌরম



মালেম তাইবঙপান অসিদা ঐখোয়গী ইরক্তা তিনবীরম্বা অথোকপম নাওতোন লুৱাং- না মাগী নুংশিজরবা ইমুং-মনুং, শাগৈ-নাতৈ অমদি মরুপ-মপাং খ্বাই পূম্নমকপু থাদোক্লল্লগা হৌখিবা চৈচৎ ০১/১০/২০২০ কুমজা মেরাগী ১৫নি পানবা শগোলশেল নুমীৎতা তাইবং মপূগী লৈকোলদা লৈরাং-লৈনম ওইনা তিঞ্জখ্রে।

লাক্লিবা চৈচৎ ০৫/১০/২০২০ কুমজা মেরাগী ১৮নি পানবা নিংথৌকাবা নুমীৎতা মঙানি লৈহুন তমজরগা, লাক্লিবা চৈচৎ ১১/১০/২০২০ কুমজা মেরাগী ২৪নি পানবা নোংমাইজিং নুমীৎতা লৈখিদ্রবগী য়াইবী থৱায়না মপূগী লৈকোলদা ঈংনা-চিক্লা তিঞ্জরুনবগীদমক মপূগী মিংখৈ শকচ-শোঞ্জদুনা ঙমজবা হৈরাং-লৈরাং খরদংগা লোয়ননা লান্না-থৌরম পাঙথোকচগদৌরি।

থৌরম অসিদা অহল-লমন, ইমা-ইবেল, মরুপ-মপাং অমদি ইচে-ইচল খ্বাই পূম্নমক্লা মতম চানা লেঙবীরক্তুনা মপূগী মিংখৈরোল তাবীরনবা পাউচেগী থোঙদা লৈরাং-লৈহুৎ শীন্দুনা পাউজেল চৎচরি। পাউচেনা লৈরাং-লৈহুৎ শীন্দুনা পাউজেঞ্জবগী অশোয়-অরান খিবিক ঙাকপীগনি।

*থৌগল ফংজরিবশিং ঃ-*

**অথোকপম শামুঙৌ মীতৈ (অপোকপা)**
**অথোকপম ওংবী শোরোজিনী লৈমা (অপোকপী)**
**অথোকপম ওংবী শঞ্জিতা লৈমা (লোইনবী)**
**কোংবা উচেক্লোন, লাই মোরিবা থোং মখা।**

| থৌরম পরেং |
|---|
| অয়ুক পুং ৮:০০ থৌরম হৌবা |
| অয়ুক পুং ১১:০০ থৌরম লোইবা |

HL-P/7696/9

### / ATM CARD মাঙখ্রে

ঐগী পাওনা কৈথেলদা লৈবা সেন্ট্রেল বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়ানা ইস্যু তৌবা একাউন্ট নম্বর ৩৪৬১৪৫১২৩২ অসিগী ATM Card অমা থা অসিগী ১দা য়ুমদগী পাওনা কৈথেল ফাওবগী মনুংদা মফম খঙদনা তাহৌরে। কনাগুম্বশিংনা খুনবীরবদি মখাগী মোবাইল নম্বর অসিদা নুমীৎ মঙানি ফাওবগী মনুংদা পাউ পীবীয়ু।

Sd/- **Thongam Monika Devi**
Thongju Part-II, Pichu Lampak,
# 7085385227

HL-P/7694/9

### / নোটিশ

নোটিশ অসিনা মরম ওইদুনা "The Khwai Shingjubung Women's Welfare Association" গী মেম্বরশিংগী ওইবা এনুয়েল জেনরেল বোদি মীটিং অমা হৌখিবা তাং ০৬/০৯/২০২০ ইং, নোংমাইজিং নুমীৎকী নুংথিল পুং ৪ (মরি) তাবা মতমদা সী ঐচ থোইবী দেবীগী য়ূমদা পাঙথোকপগা লোয়ননা মখাগী মেম্বরশিং অসিবু য়েৎনবা লৈতনা অনৌবা চহী ৩ (অহুম)গী থৌ পুবীনবা খনবসু য়ানবগা লোয়ননা মরী লৈনবা Deputy Registrar of Societies (I/W) না তাং ০৯/১০/২০২০ ইংদা অয়াবসু পীবীরে।

মখোয়শিংদুদি :-

| | | | |
|---|---|---|---|
| 1. | Th. Pishakmacha Devi | - | President |
| 2. | N. Ibemhal Devi | - | Vice-President |
| 3. | Ch. Thoibi Devi | - | Secretary |
| 4. | E. Mala Devi | - | Asst. Secretary |
| 5. | H. Promila Devi | - | Treasurer |
| 6. | Ch. Akashini Devi | - | M/C Member |
| 7. | L. Tamphasana Devi | - | M/C Member |
| 8. | M. Leimakhubi Devi | - | M/C Member |
| 9. | Y. Indira Devi | - | M/C Member |

খঙহঞ্জরিবা : **Ch. Thoibi Devi**
Secretary,
Khwai Singjubung Women's Welfare Assn.

HL-P/7692/9

### IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, OINAM

**Ref :- Mutation Case No. 323 of 2020**

Anilchandra Mutum S/o M. Kulachandra Singh of Sagolband Tera Bazar, Thingbaijam Leirak.

- Applicant

-Vrs-

(L) Lukram (N) Khangembam (O) Chonjon Devi W/o Biramani Singh of Tera Keithel Yambem Leikai.

- O.P. Pattadar

**/ NOTICE**

Oinam, the 8th October, 2020

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act, 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি খুল নম্বর ৩২-কৈনৌগী পাট্টা নম্বর ১২১৭ (অনৌবা) দাগ নম্বর ৪২১/৪৭২৬ এরিয়া একর ০.৭০ চাওবা ফৌরেল লৌফম অসিগী পাট্টাদার অসি মৃ: ওইখ্রে। মৃ: পাট্টাদার অসি ইমা পোকপা ইবোক্লি। মরম অসিনা দংকারিনা মৃ: পাট্টাদারগী মমিং কল্লগা মাগী মমিংদা লম অসি নামা পানবীরো হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী পারগা নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নি ফাওবগী মনুংদা অইবা চেরোলনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লগা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌজরোই কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চত্থখ্রগনি।

*Sd/-* **S. Budhichandra Singh**
Sub-Deputy Collector, Oinam

HL-P/7695/9

# ADVANCED COACHING INSTITUTE

## ADMISSION OPEN FOR

## MEDICAL AND ENGINEERING FOUNDATION

## FOUNDATION COURSE 2020

**CLASS X(BOSEM)** — **CLASS X(CBSE)**

**CLASS XI ( COHSEM &CBSE)** — **CLASS XII (Sc.,Arts & Commerce)**

**LIMITED SEAT** — **FIRST COME FIRST SERVE**

**Batches : Morning 4.30am-7.50am, 8.15-11.30am & 12.30-3.45pm,4.30-8.45pm**

**RAPID TEST SERIES ON EVERY SUNDAY**

**LAST DATE OF ADMISSION : 15th Oct. 2020** — **TIME: OFFICE HOURS**

**SEPARATE HOSTEL FOR BOYS AND GIRLS'**

**SPECIAL CONCESSION**
1. 50% OFF IN REVISION COURSE (Ex student).
2. SPECIAL FEE CONCESSION ON 90% & ABOVE IN X EXAM.
3. REGULAR MOCK TEST SERIES ON EVERY SUNDAY.
4. SPECIAL FEE CONCESSION ON GOVT. SCHOOL.

ADVANCED COACHING NAGAMAPAL

**Whatapp no : 8787586090/9862992105**

advancedcoachinginstitute12@gmail.com

**NAGAMAPAL LAMABAM LEKAI, NEAR RIMS ROAD JUNCTION** — **FOR QUERY : 9862992105**


পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লগা মরী লৈনদে।